# পোল্লিং ওফিসল মরি ইলেক্সন কম্মিসন্না সস্পেন্দ তৌখ্রে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী) :

অসামগী করিমগঞ্জতা বি জে পি এম এল এ অমগী গাড়ীদা ঈ ভি এম মেছিন পুথোক পুশিন তৌরম্বা থেংনবদগী পোল্লিং ওফিসল মরি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

মদুগী মতুং ঈ সী আইনা রাটাবারি এল এ সী বুথকী ভোট অমুক হন্না থাদহন্নবা ওর্দর অমসু ইশ্যু তৌখ্রে। বি জে পি এম এল এ অমগী গাড়ীদা ঈ ভি এম মেছিনশিং অদু পুথোক পুশিন তৌবগী ভিদিও অমা থেংনরবা মতুং ঈ সী আইনা লিগেল এক্সনশিং লৌবা হৌরকখিবনি।

অসামদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ফেজকী ইলেক্সন লোয়রবা মতুং ইলেক্সনদা শীজিন্নবা ঈ ভি এম মেছিনশিং অদু ভারতিয়া জনটা পার্টিগী কেন্দিদেট কৃনেন্দু পোলগী গাড়ীদা থেংনখিবনি। মহাক পথরকন্দি এল এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনা থোক্লিবনি।

পোল্লিং বুথ অদুগী প্রিসাইদিং ওফিসরদসু ঈ সী আইনা ঈ ভি এম ট্রান্সপোর্ট প্রোটোকোল থুগাইরম্বগীদমক সো কোজ নোটিস অমা ইশ্যু তৌখ্রে। অমদি রটাবরি বুথকী ভোট অমুক হন্না থাদহন্নবা খঙহনখিবনি।

অমরোমদা কোংগ্রেস লুচিংবা সুসমিটা দেবনা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু ক্রিমিনেলগী ওইবা থৌওংনি। মরম অদুনা কেন্দিদেট অদু খুদক্তা দিসক্কালিফিকেসন তৌগদবনি হায়না তকশিনখি।

অসামদা বি জে পি চাওনা মায়থিবা নংলগনি খঙবদগী অরানবা পান্থে কয়া শীজিন্নদুনা ইলেক্সন মায় পাক্লবা হোৎনরিবা অদু কোংগ্রেসনা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।




মমাং থাগী ৩১ দা শমুরৌ অৱাং লৈকায়দা লুহোংবা য়াওনবগীদমক চৎখিবা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দগী হুইদ্রোম ইমো থা অসিগী ১ দা শিনা ফংখিবা অদুগী মতাংদা অশেংবা লংলা লংজিন অমা পুথোক্কদবনি হায়না তকশিল্লদুনা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

# প্রিয়াঙ্কা গান্ধীগী অসাম খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):

অসামদা পাঙথোক্লিবা এসেম্বলি ইলেক্সনগা মরী লৈননা অসামদা ভিজিট তৌনবা হোৎনখিবা প্রিয়াঙ্কা গান্ধীগী খোঙচৎ মহাক্কী মপুরোইবা রোবর্ট ভদ্রা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।


মহাক্কী মপুরোইবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনা মরম ওইরগা মহাক মশাসু আইসোলেসন তৌদুনা লৈবগী তঙাইফদবনা মরম ওইরগা মহাক্কী অসাম খোঙচৎ কেন্সেল তৌখিবনি। মহাক লৱার অসামগী গোলাপরা ইষ্ট, গোলকগঞ্জ অমসুং সারুক্ষেত্রি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ভিজিট তৌনবা প্লান তৌদুনা লাকখিবনি।

লৱার অসামদা লৈবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০ গী মীখল থা অসিগী ৬ তা পাঙথোক্কদৌরি। মদুগীদমক কোংগ্রেস লুচিংবী অসিনা কোংগ্রেস অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোম্নবা কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অদুদা চত্তুনা ৱা ঙাঙনবা প্লান তৌখিবনি।

হৌজিক হৌজিক ইলেক্সন পাঙথোক্লিবা কেরলা অমসুং টামিল নাদুদসু লুচিংবী অসিনা ভিজিট তৌনবা শেম শাখি। অদুমওইনমক মহাক্কী মপুরোইবা পোজিটিভ ওইরকপদগী ইলেক্সন প্রোগ্রামশিং অদু কেন্সেল তৌখিবনি। মহাক মশা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরবসু মহাক্কী মপুরোইবগা মতম শাংনা লোয়নরুবনা মরম ওইরগা মহাক মশাসু আইসোলেট তৌদুনা লৈনবা ডোক্টরশিংনা খঙহল্লকখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রিয়াঙ্কানা ফোঙদোকখিবদা ডোক্টরশিংগী পাউতাক মতুং ইন্না হোম আইসোলেট তৌদুনা লৈরে। মথং চয়োল ফাওবা মহাক আইসোলেট তৌদুনা লৈখিগনি। মীয়াম্না মসিদা পুক্নিং হন্থবিগনু হায়রি।

## CROSSWORD-3740



### ACROSS
1 Not present (6)
4 Bring in from abroad (6)
8 Respond (5)
9 Breed of dog (7)
10 Sunshade (7)
11 Notions (5)
12 Aquatic plant (5,4)
17 Proverb (5)
19 Under (7)
21 Farewell (7)
22 Meeting place (5)
23 Putrid (6)
24 Vehicle for travelling over snow (6)

### DOWN
1 Sudden (6)
2 Common bird (7)
3 Brief letters (5)
5 Gin and vermouth cocktail (7)
6 Oily fruit (5)
7 Song bird (6)
9 Bearable (9)
13 Quiver (7)
14 Pined (7)
15 Animal at home in a sett (6)
16 Stilton, for example (6)
18 On high (5)
20 Umbilicus (5)

**Solution 3739**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | J | A | R | | P | I | T | I | L | E | S | S |
| U | | S | | K | | N | | N | | A | | H |
| D | E | S | C | E | N | D | | T | A | S | T | E |
| I | | E | | R | | I | | E | | T | | D |
| E | A | T | E | N | | S | O | R | B | E | T | |
| N | | | | E | | P | | | | R | | A |
| C | I | V | I | L | S | E | R | V | A | N | T | S |
| E | | I | | | | N | | E | | | | S |
| | S | N | A | C | K | S | | R | A | B | B | I |
| P | | T | | H | | A | | B | | L | | S |
| L | A | N | C | E | | B | L | A | T | A | N | T |
| U | | E | | S | | L | | L | | Z | | E |
| S | T | R | E | S | S | E | D | | R | E | A | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# জর্নেলিষ্টশিংনা পিজুস হজারিকাগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে



গুৱাহাটি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী) :

অসামদা বেজ তৌবা লোকেল মীদিয়া গ্রুপ অমগী পাউমী অমদা বি জে পিগী লুচিংবা পিজুস হজারিকানা ফোনদা কিহল্লকখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি গ্রেটর দিব্রুগর প্রেস ক্লব মনাক্তা জর্নেলিষ্টশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা জর্নেলিষ্টশিং অদুনা হজারিকাগী মায়োক্তা পেন্দবা খোল্লাও কয়া লাউখিবগা লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিংগী মনীং তম্বদা খূৎ থিংজিল্লক্তনবসু লাউখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা জর্নেলিষ্ট অনীনা পিজুস হজারিকা অমসুং মহাক্কী লোয়নবীগী মতাংদা পাউ অমা ফোঙলুবদগী জর্নেলিষ্টশিংদা কিহল্লকখিবনি। হজারিকানা ফোনগী খূৎথাংদা জর্নেলিষ্ট অনী অদুবু ময়ুমদগী পুথোল্লগা ফুগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা জর্নেলিষ্টশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা পিজুস হজারিকাগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

# পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অনী শোক্লে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী) :

কলাইগাউন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা রাজা পুখুরি পর এল পি স্কুল পোল্লিং ষ্টেসনদা ঙরাং নুমিদাংৱাংইরম মীয়ামগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোরকপদগী ঈরাং অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপখি। থৌদোক অদুদা মীওই অনী অরুবা ফীভমদা শোক্লে হায়রি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ওফিসরশিংনা ঈ ভি এম পুদুনা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা কেন্দিদেটশিংগী পোল্লিং এজেন্টশিংগী সিগনেচর লৌনবা হোৎনখি। মদুদা পোল্লিং এজেন্ট খরনা মফমদুদা মথৌ তৌরিবা পোল্লিং ওফিসরশিংবু কেন্দিদেট অনীমক্কী মীচঙদা থবক তৌই হায়না চার্জ তৌরকখিবগা লোয়ননা সিগনেচর তৌ হায়বা য়াখিদে। মদুদগী এজেন্টশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হৌরকখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী সেনিয়র ওফিসরশিং মফমদুদা লাক্তুনা সেচুয়েসন অদু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। অমদি মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা তঙাইফদনা নোংমৈ কাপ্পা নত্তনা উপায় লৈখিদে হায়রি।

# শিৎ শেংবগী থবক চথখ্রে

আইজোল, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী) :

লুংলৈ বটালিয়নগী ২৩ সেক্টর অসাম রাইফলসনা ঙসি লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতা শিৎ শেংবগী থবক চথখ্রে।

স্বচ ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ক্লিন লুংলৈ, গ্রিন লুংলৈ হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা ঙসিগী শিৎ শেংবগী থবক অদু চথখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৬১ অমসুং লোকেল রেসিদেন্স ১৬ না শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংনা অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামগা ৱারী ৱাতাই শান্নখিবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভম লু নান্না থম্নবা আপীল তৌখি।

# দলাই লামাগী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদা চাইনাগী মথৌ তাদে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী):



দলাই লামাগী মহুৎ শিলহৌনবা মী খনবগী থবক তৌবদা চাইনাগী মথৌ তাদে অমদি মসিদা চাইনানা খূৎ থিংজিল্লকপসু য়ারোই হায়না সেন্ট্রেল টিবেটান এদমিনিষ্ট্রেসনগী প্রসিদেন্ট লোবসাং সাংঙেনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দলাই লামাগী মহুৎ শিলহৌনবা মীওই খনবা নৎত্রগনা স্পিরিচুয়েল লিদর দলাই লামাগী অনৌবা মপোক অমগী মতাংদা চাইনা গভর্ণমেন্টকী থৌদাং লৈতে। মরম অদুনা হীরম অসিদা চাইনানা খূৎ থিংজিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি মরম চাদে। য়ুনাইটেদ ষ্টেটনসু হীরম অসিগী মতাংদা খূৎ থিংজিন্দনবা চাইনাদা মাঙজৌননা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

টিবেটকী স্পিরিচুয়েল লিদর দলাই লামাগী সক্সেসরগী মতাংদা চাইনানা খূৎ থিংজিন্নবা হোৎনরিবা অদু লাইনিং লাইশোনগী নীং তম্বা মাঙহন্নবা হোৎনবনি। মরম অদুনা চাইনানা হীরম অসিদগী লাপ্পা লৈগদবনি হায়নসু য়ু এসনা খঙহনখ্রে।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় নেদ প্রিসনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা মীওইশিংগী মনুংদা দলাই লামাসু অমনি। মহাক্কী মহুৎ শিলহৌনবা মীওই খন্নবা হোৎনবদা চাইনানা কৈদৌনুংদা খূৎ থিংজিল্লোয়দবনি।

টিবেটকী মীয়াম্না দলাই লামা অসি মশা শিখ্রবসু মহাক্কী থৱায়না অতোপ্পা হকচাং অমদা অমুক চঙদুনা লৈবা ঙম্মী হায়না থাজনরি। হৌজিক লৈরিবা মশাগী চহী ৮৫ রোম শুরবা দলাই লামা ১৪ শুবা মপোকনি। মশাগী চহী ৯০ শুরকপা মতমদা মহাক অনৌবা মপোক অমা অমুক হন্না পোক্কদ্রা নৎত্রগনা মহাক্কী মহুৎ শিলহৌনবা মীওই খনগদ্রা হায়বদু দলাই লামানা মীয়ামদা খঙহনগনি।

অমরোমদা দলাই লামানা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা মহাক্না অতোপ্পা সাইওন অমদা পোক্লবা ফিরেপ লৌরক্লবদি ১৫ শুবা দলাই লামা থিবগী থৌদাং গাদেন ফোদ্রাং ট্রষ্টনা তৌগনি। ইন্দিয়াদা বেজ তৌবা ট্রষ্ট অসি দলাই লামা মশানা লিংখৎলম্বনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ১৯৫০ দা টিবেট চাইনানা ওকুপাইদ তৌখিবনি। মদুগী মতুং টিবেটপু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক চাইনানা মতম শাংনা হোৎনদুনা লাক্লি। চাইনাগী মীৎয়েংদা দলাই লামা ফত্তবা অত্থা অমনি। মহাক্না টিবেটপু চাইনাদগী তোখাই তাহন্নবা হোৎনরি হায়না মরাল শীরদুনা মহাকপু ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৫৯ দা দলাই লামা ইন্দিয়াদা চেনশিল্লকখিবনি হায়রি।

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3539

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | | | | | 2 | 8 |
| 7 | | 1 | 8 | | | | | |
| | 2 | | | 6 | | | 1 | 5 |
| 3 | | | | 4 | 6 | | | |
| 1 | | | 3 | 2 | 7 | | | 6 |
| | | | 5 | 8 | | | | 2 |
| 2 | 6 | | | 7 | | | 8 | |
| | | | | | 8 | 4 | | 7 |
| 4 | 8 | | | | | | | 3 |

### Solution-3538

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 3 | 8 | 4 | 6 | 9 | 5 | 2 |
| 4 | 5 | 6 | 7 | 9 | 2 | 8 | 3 | 1 |
| 8 | 9 | 2 | 3 | 1 | 5 | 4 | 6 | 7 |
| 7 | 4 | 9 | 1 | 6 | 3 | 5 | 2 | 8 |
| 5 | 3 | 1 | 4 | 2 | 8 | 6 | 7 | 9 |
| 2 | 6 | 8 | 5 | 7 | 9 | 3 | 1 | 4 |
| 6 | 8 | 4 | 2 | 3 | 1 | 7 | 9 | 5 |
| 9 | 1 | 7 | 6 | 5 | 4 | 2 | 8 | 3 |
| 3 | 2 | 5 | 9 | 8 | 7 | 1 | 4 | 6 |

## EMPLOYMENT NEWS

OPSC Scientific Officer Recruitment 2021: Odisha Public Service Commission (OPSC) Invites online applications from eligible candidates for recruitment of Scientific Officer (Group - B) in the State Forensic Science Service Organization under Home Department. The online registration will be start from 4th March 2021 to 5th April 2021.
Advertisement No. 10 of 2020-21
Name of the Post
No of Vacancies
Scientific Officers
22 (Women – 06)
Age Limit:
Minimum Age Limit - 21 years as on 01/01/2021.
Maximum Age Limit – 32 years
Pay Scale: Rs 544,9006,100/-, in Level 10, Cell-1
Educational Qualification: Master's Degree (Post Graduate) in relevant subject (Chemistry / Physics / Zoology).
Selection Process:
Interview (50 Marks)
Career Marking (100 Marks)
Examination Fee:
Rs 400/- for General / OBC category candidates.
No fee for SC / ST/ Female Candidates / PWD / Ex-Servicemen.
The fee should be made through online mode using Debit Card / Credit Card / Net Banking Facility.
How to Apply: Eligible Interested candidates must apply online through OPSC official website @ www.opsc.gov.in from 4th March 2021. The last date for registration of online applications is 05/04/2021 up to 11:59 PM. The last date for submission of registration online applications is 12th April 2021.

Kerala Postal Circle GDS Recruitment 2021: Kerala Post Office has published recruitment notification for the posts of Gramin Dak Sevaks (GDS) for fill up 1421 Vacancies in the Kerala Circle 2021. The Kerala Post Office GDS 2021 online registration will be open from 8th March to 7th April 2021.
KERALA CIRCLE NOTIFICATION FOR THE POSTS OF GRAMIN DAK SEVAKS CYCLE – III/2020-2021
Name of the Post
Total Vacancies
Gramin Dak Sevaks (GDS)
1421
Vacancy Posts: Branch Post Master, Assistant Branch Postmaster (ABPM), Dak Sevak.
Age Limit:
18 to 40 years as on 8th March 2021
Age Relaxation - 05 years for SC / ST, 03 years for OBC, +10 years for PWD (PH) Category Candidates.
Educational Qualification:
Secondary School Examination pass certificate of 10th standard with passing marks in Mathematics, local language and English (having been studied as compulsory or elective subjects) conducted by any recognized Board of School Education by the Government of India/State Governments/ Union Territories in India shall be a mandatory educational qualification for all approved categories of Gramin Dak Sevaks.
Eligibility:
Compulsory knowledge of Local Language (Malayalam).
Computer Knowledge: The candidate should have computer knowledge and will be required to furnish basic computer training certificate for at least 60 days from a recognized Computer Training Institute. The requirement of basic computer knowledge certificate shall be relaxable in cases where a candidate has studied computer as a subject in Class X or Class XII or higher educational qualification provided the candidate submits a certificate of Class X or Class XII or higher educational qualification in which he/she has studied computer as a subject.
Knowledge of Cycling.
Job Residence: The selected candidates must mandatorily take up his/her residence in the Branch Post Office village within one month after selection but before engagement as Gramin Dak Sevak Branch Postmaster. The candidate shall submit a declaration to this effect in the application. The candidate selected for the post of other than GDS BPM should reside in post village/delivery jurisdiction.
Selection Process:
No Written Test and Interview.
The selection completely based on 10th Standard Marks.
No weightage will be given for 12th Marks / Degree or Post Graduate Marks or higher educational qualification.
Only marks obtained in 10th standard of approved Boards aggregated to percentage to the accuracy of 4 decimals will be the criteria for finalizing the selection.
? Application Fee: ? 100/- for General (UR) / OBC Category Male Candidates only. The fee should be made through any Head Post Office in Kerala State. For making the payment candidate should inform Registration Number at the PO Counter. There is no fee for all Female and SC and ST Candidates.
How to Apply: Eligible Candidates apply online will have to register himself in the AP Post Portal with the basic details to obtain the Registration Number. The closing date for submission of online registration is 07/04/2021. Only one Registration is allowed for one candidate. The same registration number should be used for submission of applications during the cycle to any of the circles. Mobile number mapping is mandatory for Registration.

DSRVS Recruitment 2021 for the post of Block Program Supervisor: Digital Shiksha and Rojgar Vikas Sansthan (DSRVS) invites online applications from eligible Indian Citizens for recruitment of Block Program Supervisor for filling up 138 vacancies. The last date for registration of online applications is 15th April 2021.
Name of the Post
Total Vacancies
Block Program Supervisor
138
Age Limit:
18 - 32 years for UR / EWS category
18 - 35 years for OBC category
18 to 37 years for SC / ST category
Monthly Salary: CPC – PB Rs 2800/-
Educational Qualifications: Must have Passed a Graduate (Bachelor's Degree) from any recognized board / university.
Application Fee:
Rs 500/- for General / OBC / EWS category candidates.
Rs 350/- for SC / ST / PWD category candidates.
The fee can be paid through Online Payment mode.
Selection Process:
Examination
Document Verification (DV)
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through DSRVS India official website from 10th March 2021. The closing date of online application is 15/04/2021.







